নুংঙাইগদ্রা, কপকদ্রা খঙদ্রেদা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

টাইৱান্দা লৈজদুনা থা ৪/৫ কোভিদ-১৯গী অকিবা কয়াগা লোয়ননা লাকপদো লোইশিল্লকপসিগী হায়রুরদি য়াম্না হরাউফম থোকপনি। অদুবু হেক নুংঙাইথোকউ হায়বা য়াদে। টাইৱান্দা লাইচৎ অসিনা নাবরা চিংনবা মীওই ৭৩,৬০১ টেষ্ট তৌবদা মীওই মশীং ৪৪৩ নাখিবা থেংনখি। মসিগী মনুংদা মীওই ৭ শিখিবনি। লেমহৌরিবা ৪৩৬ অদুগী মনুংদা মীওই ৪৩০ ফরক্তুনা ময়ূম-ময়ূমদা লোইনা হন্নখ্রে। হৌজিক মীওই ৬ খক ফরক্কদবা ঙাইরি, ফরনি। অশি-অনা য়াওরক্তবা অমদি লাইচৎ অসি শন্দোকপা লেপখিবগুম তৌবদি চয়োল ৪/৫বু হেল্লবনি। অশি-অনা য়াওগদবা করিমত্তা লৈতবনা মাস্ক উপ্পদা, হকচাংগী অঙ্গং অশা য়েংবগী অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং তৌবনচিংবা য়াম্না কোমথোক্লে। লাক্লিবা জুন ১৩দগীদি অনৌবা টাইৱানগী কেপিটেল ওইরিবা টাইপৈ সিটিদদি মহৈশঙশিংদা হকচাংগী অঙ্গং-অশা য়েংবা লোইশিল্লনি হায়না লাউথোকখ্রে। ঐখোয়না লৈরিবা, হায়বদি টাইপৈ সিটিবু কোয়শিন্দুনা লৈরিবা ন্যু টাইপৈ সিটিদসু অদুম থুপচিল্লগনি হায়না পানরি। মদুমক ওইদুনসু, মীওই অয়াম্বনদি মাস্ক উপ্নরি, হেন্দ সেনিটাইজর স্প্রেনচিংবা অদুম শীজিন্নরি। ঐখোয়গী য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক-হৌজিকসু হকচাংগী অঙ্গং-অশা অদুম হান্নগুম য়েংলি। লাইচৎ অসিনা লোইশিনখিদুনা হান্না মহৌশাগী ফীভম অসি হঞ্জিল্লকপসিদা য়াম্না অফা-অপূন লৈরম্বদো লৈত্রে হৌজিক্তি। ফীভম অসিদা টাইৱানগী মীপূম খুদিংমক য়াম্না নুংঙাইনরে। অদুবু ঐহাক্কী ওইনদি নুংঙাইথোকপা হেক ঙমদ্রি। করম্নবু ঙমগদৌরিবনো ইরমদম কংলৈপাক্তা তেনখ্রবা চয়োল অমা অনীসিদা অসুক্কী মতিক ৱাংনা লাইচৎ অসি শন্দোরক্লি। নুমিৎ খরনিগী মনুংদদি মীওই লাক্ষ ৩০সু য়ৌনা লৈতবা ইরমদমগী লাইচৎ অসিনা নাবা মীশিংনা লাক্ষ ২২৩ হেন্না লৈবা টাইৱান্দা লাইচৎ অসিনা নাবা মীশিংদগী হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি। মসিনি ঐহাক্লা য়াম্না ৱারিবসি।

থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা ইরমদমদা লাইচৎ অসিনা নাবগী মশীং ৩০৪ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা ২৪৩না এক্টিভ কেসতা লৈরি হায় অদুগা ৬১ ফখ্রে হায়না তাই। মশীংসি অসুক্কী মতিক থুনা হেনগৎলক্লি। লাইবক ফবা হায়গদ্রা হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি অশি-অনা থোকপদি য়াওদ্রি। অশি-অনা থোকপা য়াওদ্রি অদুনা য়াওরক্লোই হায়না খনবদি লানগনি। ইরমদমগী লৈরিবা ফীভম অদুদা লাইচৎ অসিনা নাবগী মশীংসি অসুম্না চয়োল অমা/অনী হেনগৎলবদি করম্না মায়োক্লগদৌরিবনো হায়বসিনি। মীওই ৩০০ ফাওবগী লায়েংফম লৈত্রিবা ইরমদমগী ফীভমসিদা ৪০০/৫০০ লাইচৎ অসিনা নাশিল্লক্লবদি মদু মায়োক্লবদা অচৌবা চৈথেং অমা পীগদৌরিবনি। ফীভমসিদা খ্বাইদগী হেন্না কিনীংঙাই ওইরিবদি কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন তৌরকপা অদুনি। মসি ওইরকপা য়াবগী ফীভম য়াম্না ৱাংনা লৈরি হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং অসি য়েংবদা। মতম অমদা হেক্তা ওইরকপা য়ানা লৈরি। য়েংবীয়ু ময়ামসু। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওই কয়া অমদি লাইচৎ অসি থিংনবা চৎন-কাঙলোন কয়া থুগাইদুনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা সোসল দিষ্টেন্সিং থমদুনা চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চৎপগী মহুত্তা মীয়াম কোয়শিন্দুনা, পূনশিন্দুনা গিটার খোংদুনা, ঈশৈ শক্তুনা মতম লেনবা, মপালগী অঙাংশিং থোঙনাওদগী কৌদুনা পোৎচৈ লৈনবা, ক্বারন্টিন সেন্টরগী পোৎ চৈ, গেট থুগাইদুনা ময়ূম-ময়ূমদা চৎকে হোৎনরকপা কয়াসু য়াওরক্লি। মসি য়াম্না লাল্লি। মসিনা য়াম্না চাউবা লাইচৎ অসি হেন্না য়াঙনা, পাকশন্না লৈকায়-লৈকায়দা শন্দোরকপগী লম্বী অমা পীরি। অসুক লায়না লৌনবা লাইচৎনি খঙনা-খঙনা করিগীনো মপাল লমদগী য়ূমদা পুশিনবিরকপা ইরৈচাশিং অসিনা ৱাখল তাদ্রিবা। মখোয়বু লৈঙাক্লা অমদি মীয়াম্না চঙলকউ, হল্লকউ হায়দুনা হায়জখিবসু নত্তে। লাইচৎ অসি হেন্না শন্দোরক্কনি খঙনা খঙনা মখোয়না ৱাজদুনা, কপচদুনা, হায়জরকপদুদা মখোয়বু লৈঙাক্লা মীনুংশি ফাওবীদুনা পুশিনবীরকপনি। মসি মরমদম য়ৌরক্লবা কান্দা মখোয় কাউখিবগুম তৌই। হোয় ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসিদা মখোয়বু থল্লিবা ফীভম অসিদা পেন্দবা কয়া অমসু লৈরমগনি, লৈফমসু থোকই। মীওই লিশীং ৩৫ মুকপু ইখঙ খঙহৌদনা থোমজিল্লকপদা মখোয়বু পেন্নবদি কদাইদগী তৌবা ঙল্লগনি, মরু ওইনা ইরমদমগী শেল থুম অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি লায়েংনবা পোৎলম শুনা লৈতবা মফমসিদা। অদুবু মখোয়না তৌরিবা থৌওং অসিনা অফবা অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বদি থাজদে। হেন্নদুম লাইচৎ অসি শন্দোকপদা মতেং পাংগদৌরিবনি। মখোয়না অসুম্না তৌরবদি মতুংদদি লৈঙাক্লসু অমুক হন্না মতেং পাংনীংবগী ৱাখল্লোন লৈরক্লোই।

মসি হায় হায়দুনা লৈঙাক্কী অশোয়বা, অৱাৎপা লৈত্রবরা হায়বদি লানগনি। লৈঙাকসু ৱাদি চাউনা-চাউনা ঙাঙই, তৌদবসু অমত্তা য়াওদে মিদিয়াদদি। অদুবু তশেংনা হেক য়েংশিল্লুরগদি অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা। মিদিয়াদনা অমা তশেংনা তৌবনা অমা। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো ইরমদমগী লৈঙাক্তদি থোইদোক্লা তাইননীংঙাই ওইদব্রা খল্লি। মখোয়দি সেন্টরনা তৌরকপা, হায়রকপা অদু ইন্দুনা চৎপনি। মনীং তৌনা থবক তৌজবগী লম্বী অমদি লৈতব্রা হায়না খল্লি। তশেংবদি পূম্নমক অসি থোকহল্লমদবা য়াবনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌরকপদা পোলিসি চুম্না তৌরম্লবদি। অদুবু মদু পূম্নমক হৌখ্রে, তেংথারুবগী কান্নবা করিসু লৈররোই।

হৌজিক-হৌজিক ঐখোয়না পূক্নিং য়াম্না চিংশিনগদবা হায়ববু কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন, হায়বদি মপালদগী পুশিল্লকপা লাইচৎ অসি ইরমদম অসিদা লৈজরম্বা ইরৈচাশিংদা শন্দোরক্তনবা হোৎনবা অদুনি। মসি হেক থোরকপদা হৌজিক-হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশি-অনা য়াওদনা লৈরিবা অসিগুম অশি-অনা য়াওরোই হায়না খনবদি য়াম্না লানগনি। মরু ওইনা ঐখোয়না হেন্না চেকশিনবা মথৌ তারিবসি ইরমদমগী নুংশিরবী চহী ৪৫/৫০গী মথক্তা লৈরিবা ইমা-ইবেন, অহল-লমনশিং অসিনি। অহল-লমনশিং অসিদি হকচাংগী ইম্যুন শোন্থরকপনা লাইচৎ অসিনা নারকপদা ঙাকথোকপা লুনা থোকই। মসিগী খুদম হায়ববু খ্বাইদগী মমাঙ থানা চৎলিবা য়ু এস এদা লাইচৎ অসিনা শিখিবা অপূনবা মীশিং ১,১৪,১৪৮ য়ৌখ্রে। শিখিবা মীওইশিং অসি অয়াম্বনা অহল-ওইবা মীওইশিংনা মশীং য়াম্না হেল্লি লাইচৎ অসিদগী ফগৎলকপা য়াম্না ৱানা থোকপনা। মে ১৩, ২০২০দা ন্যু য়োর্ক সিটি হেল্থনা লৌখিবা ষ্টেটিষ্টিক দেটাগী মতুংইন্না ন্যু য়োর্ক সিটিদা লাইচৎ অসিদগী শিখিবা পূন্না মীওই ১৫,২৩০নি। মসিগী মনুংদা চহী ৪৫/৬৪ ফাওবদা লৈবা মীওই ৩,৪১৩নি (২২.৪% নি হায়বদি মীওই ১০০ শিবদা মীওই ২২.৪দি চহী অসিগী কাঙলূপ্পা ওইখি)। অদুগা চহী ৬৫-৭৪ ফাওবদা লৈবা মীওই ৩,৭৮৮ ওইখি (২৪%)। অদুগা মীওই ৭,৪১৯না চহী ৭৫গী মথক্তা লৈবনা ওইখি। মসিনা তাক্লিবদি লাইচৎ অসিনা শিহনবসি নহাশিংদদি য়াম্না নেম্মী অদুগা চহী য়াল্লক্লবা অহলশিংদদি য়াম্না শিহল্লি হায়বসিনি। মসিগী অচৌবা মরমদি হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টম শোন্থরকপননি।

লোইশিল্লকপদা, অসুক চাওখৎখ্রবা, খূৎশু খূৎলায় লোইনা লৈরিবা, শেলগী অৱাৎপসু লৈতে হায়রিবা য়ু এস এ ফাওবনা কনবা ঙমদ্রগা ঐখোয়গী অসুক লায়রখ্রবা, য়ু এস এগা চাংদম্নবদা করিসু লৈতে হায়বা য়ারিবা ইরমদম অসিদা কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন হৌরক্লবদি করম্না কনবা ঙমগদৌরি হায়বা ৱাফমসি লায়না লৌফম থোক্তে। হৌজিক-হৌজিক ফাওবদা অশি-অনা য়াওদে হায়দুনা মসি য়াওরক্লোই হায়না খনবীগনু। ক্বারন্টিন নিংথিনা চলাইবা ঙমদ্রিবা, ফমুং শুনা পীবা ঙমদ্রিবা, খূৎশু-খূৎলায় শুনা, মরাং কায়না লৈত্রিবা ফীভমসিদা সেন্টরশিংদা লৈরিবা ইরৈচাশিং ৱাখল য়াম্না তাবীবা মথৌ তাই। ৱারবসু ৱানা কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন তৌরক্তনবা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা থল্লিবা চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চৎপীয়ু। ইরৈচাশিং নখোয় থোরক্লমদ্রবদি হৌজিক শন্দোরক্লিবা লাইচৎ অসিসু শন্দোরক্লল্লোইদবনি। অদুবু নখোয়গী অৱাবা কয়া অদু উবীদুনা লৈঙাক্লা অমদি মীয়াম্না য়াদুনা নখোয়বু নরমদম অসিদা পুশিনবীরকপনি হায়বসু কাউবীগনু। নখোয়না লম হেল্লবা, লৈঙাক্লা অমদি মীয়াম্না হোৎনরিবা অসিবু উশিত্তনা অমদি করেম্ননা চৎলবদি নখোয়বু কনানসু ৱাংনা অমদি নুংশিনা য়েংলক্লোই। লোয়ননা লৈঙাকসু য়াম্না চেকশিন্না খোঙথাং থাংবীবা মথৌ তাই, মরু ওইনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসিবু করম্না লৈরিবগে হায়না য়েংশিনবদা অমদি লাইচৎ অসি লৈকায় লৈকায়দা শন্দোরক্তনবা হোৎনবদা। ৱাখল তানা, পূন্না হোৎনমিন্নদ্রদি লৈকায়-লৈকায়দা শন্দোরক্তুনা অশি-অনা য়াম্না য়াওরক্কনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না থমজগে। ●

ষ্টেটকী পাউ

প্রাইভেট ট্যুসন অমদি কোচিং ক্লাস তৌরম্বা থেংনরবদি এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ডা. টি ঐচ রাধেশ্যামনা চ্যের লৌদুনা ঙসি স্কুল এদ্যুকেসনগী মতাংদা রিভিয়ু মীটিং অমা বাবুপড়াদা লৈবা ষ্টেট প্রোজেক্ট ওফিস, সমগ্রা সিক্সাগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা পোষ্ট কোভিদ-১৯গী মতমদা স্কুলশিং করম্বা মওং-মতৌদা হাংদোক্কদগে হায়বগী মতাংদা শুগাইবা ৱাফমশিং খন্নখিবগা লোয়ননা স্কুল বিল্ডিংশিং শেম শাবগী পন্দুনা লৈরিবা থবকশিং, মহৈরোয়শিংগী স্কুল য়ুনিফোর্মশিং অমদি ওজাশিংগী অৱাৎপা লৈরিবা অসি মেনখৎনবা থবকশিং মতম চানা পায়খৎননবসু খন্নখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর ডা. টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্ননবা ষ্টেট লৈঙাক্লা মতম মতমগী ওইনা লাউথোক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎননবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা ওজা খরনা প্রাইভেট ট্যুসন অমদি কোচিং ক্লাসনচিংবা চত্থরে হায়বগী পাউ কয়া মায়কৈ কয়াদগী পীরক্লে। করিগুম্বা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা প্রাইভেট ট্যুসন নৎত্রগা কোচিং তৌরম্বা থেংনরবদি মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি। জেদ ঈ ও খুদিংমক্লসু হীরমসিগী মতাংদা য়াম্না কূপ্না য়েংশিনগদবনি। করিগুম্বা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লবা ৱাফম থুগাইদুনা প্রাইভেট ট্যুসন অমদি কোচিং চত্থরম্বগী চপ চাবা পাউ লৈঙাক্তা লাক্লবদি মরী লৈনবা জেদ ঈ ওশিংগী মথক্তসু এক্সন লৌগনি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মীওইবগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা চৈথেং পীবগী মথক্তা এদ্যুকেসন সেক্টরদসু চাউনা চৈথেং পীরি। স্কুলশিং থোঙ লোনখিবা অসিনা স্কুল অমদি একাদেমিক্সতা চৈথেং পীবদা নত্তনা অঙাংশিংগী সাইকোলোজিদসু চৈথেং পীরিবনি।

লোকদাউন লোইরবা মতুংদা এদ্যুকেসন সেক্টরদা অঙকপা ফংনা প্রেসর লাক্কনি। অদুবু স্কুলশিং অসি হাংদোক্তবদি য়ারোই। মরম অসিনা স্কুলশিং হাংদোরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংগী সেফটিগী য়েংলগা মতিক চাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎকদবনি হায়নসু মিনিষ্টরনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

এন এস য়ু শাগদবা মফম কুকিশিংগা মরম অমত্তদা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) শাগদবা মফম অসি কুকিশিংগা মরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না সেঞ্জম খুনৌ অমদি সেঞ্জম চিরাং জোইন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন রাজেননা থাদোরকপা চেরোলা অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা পীরকপা চৈথেংনা অৱা-অনা কয়া মায়োক্লদুনা হা-কার লাউনরিঙৈ তাল্লকসিদা করিগুম্বা ইকনমিক ব্লোকেদ কৌরবদি মদুগী মতুংদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং খুদিংমক কুকি ইন পি কাংপোকপী অমসুং হরাওথেলদা লৈরিবা খুল অসিনা পুগদবনি।

এন এস য়ু শাগদৌরিবা মফম অসিগী কুকিইচিন ইনাওশিংনা হৌজিক লৈরিবা এল তাংথাম হায়না খোল্লিবা হরাওথেলদা খুল অসিগী ইরম অমত্তদা মরী লৈনদে। মতুংদা লৈঙাক্লসু এন এস য়ুগী মতাংদা সেঞ্জম চিরাং অমদি অসিগী খুনৌগী খুঞ্জাশিংনা নত্তনা অতোপ্পগা তানবীগনু। হরাওথেল হায়রিবা মফম অসি ইবুধৌ কৌব্রু অমদি ইবেনধৌ কৌনু অনীগী হরাও মথেল কানা শান্নরম্বা থেলনি হায়না হরাওথেল হায়না কৌরম্বগী ৱারীসু পুৱারীদা ময়েক শেংনা পন্দুনা লৈরিবনি। করিগুম্বা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরবদি কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ৩দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সীগী হোলদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী অমদি কাংপোকপী দি সী য়াওনা পূন্না খুঞ্জাশিংনা অকোয়বদা ঈং তপ্পা ঙাক্তুনা থম্নবা খূৎয়েক পীনখিবা অদু থুগাইবনি হায়না লৌগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

ꯈꯪꯍꯟꯕ / ‘পাইলসকী ওইনা ওজা ABDUL HAK অতাঙবনি’

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা মরম ওইদুনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙগী অকোয়বদু পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা ফুরিগুম্না পোল্লগা লৈবা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, খ্বাং নাবা অমদি হকচাংগী মচি-মচিদা চিক-নাবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌবা অমসুং ঙকশম মরী নাবনচিংবা নুংঙাইতবশিংদু ওজা কবিরাজ অবদুল হক্কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঙসিদি কোক্লে। তশেংনমক ওজা কবিরাজ লমদমসিদা অতাঙবনি। মরম অদুনা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756পু মীয়ামগী থৌগল মপূং ফানা তৌহনবীখো হায়না মপুদা থৌনিজবগা লোয়ননা পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফম :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

HL-P/6782/11

থাগৎচরিবা : **L. Sanjit, Heirok Part - II**

ꯃꯥꯡ/DOCUMENT LOST

I have lost my Bank Passbook of SBI, Imphal Secretariat branch bearing Saving Account No. 20055580952 and Voter Card bearing No. CSY0020487 on the way between Old Lambulane and Sajirok road on 08/06/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Yumkhaibam Arun Singh
S/o Y. Mangi Singh
Sajirok Mayai Leikai

HL-P/7107/11

ꯃꯥꯡ/CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination bearing Roll No. 20497 of 1988 issued by BOSEM on the way between Chakpikarong and Chandel on 08/06/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- HL Todang Anal
Salluk Village, Chakpikarong,
7005232202

HL-P/7104/11

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 272/AS & SO/Kak dt. 03/06/2020

Kshetrimayum (O) Rajmani Devi W/o (L) Ksh. Chaoba Singh of Kakching Sumak Leikai.

-Vs-

(Late) -do- Chaoba Singh S/o Ibohal Singh of Kakching Sumak Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

10-06-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিল খুন নং ৫৯-ককচীং খুল্লেন পাট্টা নং ১৩৭৩ & ৬০৪ (অনৌবা), দাগ নং ৩৩১/৩৬৪ & ১৬৬, এরিয়া ১.২৫ & ০.০৫ হেক্তর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার ক্ষেত্রিময়ুম চাওবা সিংহ পীং ইবোহল সিংহ সাং ককচীং খুল্লেন শুমাক লৈকায় অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

HL-P/6206/11 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-V

Ref :- Mut. Case No. 159/AS&SO-(V), 2020

Shijagurumayum Lalhari Sharma S/o (L) Sh. Sanajaoba Sharma of Khurai Thangjam Leikai. *...Petitioner*

-Vs-

(Late) Shijagurumayum Lalbapu Sharma S/o (L) Sh. Gopal Sharma of Khurai Thangjam Leikai. *...Opp.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

10/06/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ২৫-সোইবম লৈকায়গী পাট্টা অরিবা নং ১৪০, অনৌবা পাট্টা নং ৪৫৪, দাগ নং ৩২১, এরিয়া ০.১৩ একর চাউবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচেদা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-V, Imphal

HL-P/7105/11

ꯑꯣꯟꯂꯥꯏꯟ **ONLINE CLASSES** ꯀ꯭ꯂꯥꯁꯦꯁ

PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/6186/22/5 to 21/6

নং ৬(৪) ২০০২-০৩ /জেঃএনঃএমঃডিঃএ

ওফিস ওফ ডি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাডেমী, ইম্ফাল

ꯈꯪꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল, তাং ১০।৬।২০২০ ইং,

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাডেমী, ইম্ফালগী শক ২০২০-২১ ইংগী ফাউন্দেসন কোর্স অমসুং ডিপ্লোমা কোর্স (জগোয় অমসুং সংকীর্ত্তন) গী অনৌবা ছাত্র-ছাত্রি লৌনবগী দরখাষ্ট কৌরি। এপ্লিকেসন ফোর্ম একডেমী অসিদগী তাং ১১।৬।২০২০ ইংদগী তং ২২।৬।২০২০ ইং ফাওবগী মনুংদা ওফিস মতমদা লৌবিরগ মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু তাং ৩০।৬।২০২০ ইং ফাওবগী মনুংদা ওফিসতা য়ৌহনবিরক্কদবনি।

ফাউন্দেসন কোর্স (জগোয় অমসুং সংকীর্ত্তন) ঃ

চহি ৩ (অহুম) গী কোর্স ওইগনি। মশাগী চহি ১২ (তরানিথোই) দগী তাদবা মহৈগী থাক ক্লাস V (ফাইব) ওইগনি।

ডিপ্লোমা কোর্স (জগোয় অমসুং সংকীর্ত্তন) ঃ

চহি ৩ (অহুম) গী কোর্স ওইগনি। মশাগী চহি ১৫ (তরামঙা) দগী তাদবা মহৈগী থাক ক্লাস VIII (আইত) ওইগনি। থোইদোক হেন্দোকপা জগোই অমসুং ঈশৈগী গুণ চেনবা শিংগীদি কোমথোক্কনি।

স্কোলারসিপ অমসুং ষ্টাইপেন্দ ঃ

ফাউন্দেসন কোর্স তা (৪) থাদা লুপা ১০০০ /-
ডিপ্লোমা কোর্স তা (১০) থাদা লুপা ২০০০ /-
পোষ্ট ডিপ্লোমা কোর্স তা (১৫) থাদা লুপা ৩০০০ /-
মণিপুরগী ৱাংমদগী লাকপা ছাত্র-ছাত্রিশিংগী ওইনা ষ্টাইপেন্দ থাদা লুপা ১০০০ /- পিজগনি।

খঙজিনবিগদবা ঃ

একাডেমিদা ফাউন্দেসন, ডিপ্লোমা অমসুং পোষ্ট ডিপ্লোমা কোর্স লোইশিনহৌদবা ছাত্র-ছাত্রিশিংগীদমক হন্দক চহিগী ওইনা খুদোংচাবা অসি পিজরি মরম অদুনা ছাত্র-ছাত্রিশিংনা একাডেমীদা লাক্তুনা মীং চল্লনবা খঙহল্লি। অকুপা মরোল একাডেমীদগী খঙবিরবা য়াগনি।

খঙহঞ্জরিবা :- **সি.এচ. গোপেশ্বর সিংহ**
সেক্সন ওফিসার (এডমিষ্ট্রেসন)
জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স
একাডেমী, ইম্ফাল

HL-B/6250/11

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।